**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30.05.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) তম্পাক্কী মফম খরদা খঙহৌদনা ঈচাউ থোরকপনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে। ইম্ফাল সহরগী মফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিনখিবনা মীয়ামদা চাউনা অকায়বা থোক্লে।

২) লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতি (এল.দি.এ)গী টিমনা ঈশিং ঈচাওনা নংলবা মীওই ৮০০ হেন্না হৌজিক ফাওবদা কনবা ঙমখ্রে।

৩) রাজ্য সরকার লোইশঙশিং অমসুং মহৈলোইশঙশিং জ়ন ১ ফাওবা ছুতি লাউথোকখ্রে।

৪) ইম্ফাল-জিরিবাম নেসনেল হাইৱে লম্বগী ইরং থোং শেমজিনবদগী মাল পুবা অচৌবা গাড়িশিং য়াওনা মখল খুদিংমক্কী গাড়ি চৎথোকশি তৌবা য়ারে। ঈচাউগী য়েংলগা সরকারনা পুং ২৪ চুপা মথৌ তৌগদবা কন্ট্রোল রুম অমা হাংদোক্লে।

অমসুং

৫) আর্মি কেম্পতা লান্দাবদা চেন্নবা য়ুনাইতেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসাম (উলফা)গী মীওই ৬ এন.আই.এনা ফারে।

------

ঈচাউ(এল)ঃ তম্পাক্কী মফমশিংদা নোং কা হেন্না চুদ্রবসু খঙহৌদনা ঈশিং চাউখৎলক্কুনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে। ইম্ফাল সহরগী মফম অয়াম্বা ঈশিং

থুমজিনখিবনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোক্লে। অৱাং এ.ও.সিগী অকোইবা, ৱাহেংবম লৈকাইগী নম্বুল তুরেল মপানগী লম্বী, কংলা পাৎকী লম্বী পরেং, তিদিম লম্বীগী শরুক খরা য়াওনা মীয়ামা মরুওইনা চৎথোক চৎশিন তৌনবা লম্বী খরা ঈশিং কা হেন্না থুমজিনবনা চৎথোক চৎশিনদা অপনবা ওইখি। খ্বাহ্রম্বন্দ কৈথেলগী লম্বীশিং য়াওনা মরুওইবা লম্বী কয়া ঈশিংনা থুমজিনদুনা লৈরি। অদুমওইনমক, তম্পাক্তা চেনবা মরুওইবা তুরেল খরগী ঈশিং ইমাইদি তপা তপা হন্থরক্লে হায়রি । হৌজিকসু মফম কয়াদা মীওই লিশিং কয়া ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। ঙসিসু ইম্ফালগী মরুওইবা কৈথেলশিং মপুং ফানা ফমখিদে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- ইম্ফাল মনুংগী ওইনা বি.টি. রোড তাবা লম্বী, কংগ্রেস ভবন মপাদা থিংলে। পাউনা বজারদগী হাইদোরকপা ঈশিং নম্বুল তুরেলরোমদা তারক্লি। অমরোমদা, নম্বুল তুরেলগী ঈশিং ইমায় লম্বীদগী হেন্না ৱাংখৎনা লৈরে। নাকল অমদনা, ইম্ফাল অমসুং ইরিল তুরেলগী ঈশিং ইমায় তপা তপা হন্থরক্লি।

ঈচাউ অসিনা শোকহল্লবা মফমশিংদা মনিপুর পুলিস, আর্মি, অসাম রাইফল, এন.দি.আর.এফ অমসুং এস.দি.আর.এফনা মী কনবগী থবক লেপ্তুনা চথরি হায়রি । মীয়ামনা ঈশিং ঈচাওগা মরা লৈননা মী কনবা অমদি তেংবাং পীবগী থবক্কীদমক মনিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেক্কিং এসোসিয়েসন (এম.এম.টি.এ) মিনুথোংদা কন্টেক্ট তৌবীনবা হায়রি। এম.এম.টি.এগী ফোন নম্বরশিংদি-8787-8286-79 অমসুং 87946-581-85 নি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিদা হৌজিক ঈচাউ অমসুং চীং নিংখায়বগী থৌদোক থোক্লিবা অসিগী য়েংলগা রাজ্যগী রিলিফ এন্দ দিজাস্তর মেনেজমেন্ত দাইরেক্তোরেটনসু খুদক্কী ওইবা অথু অকায়বগী পাউ পীনবগীদমক কন্ট্রোল রুম কয়া মরুম হাংদোকখ্রে।

মরক অসিদা, সেনাপতি জিলাদা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও থোরকপদগী রিভর কোলিনিদগী হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সেনাপতি তুরেলদা চেন্থখিবা নুপী অদুগী হকচাং ঙরাং কারোংদগী ফংলে। ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমীনা হায়-থোংলাং সেনাপতি লম্বীদসু এক্সিদেন্ততা নুপা অমা শীখি অহুমা

শোকখি। অশোকপশিং অদু সেনাপতিগী হোস্পিতাল অমদা লায়কন্নরি। হৌজিকসু জিলা অসিগী অনেম্বা মফমশিংদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরি। সেনাপতি জিলাগী মরুওইবা তুরেলশিং সেনাপতি, ময়াংখাং, বরাক তুরেলগী ইমায় ৱাখৎলকপা অমসুং মফম কয়াদা তুরেল তোর্বান কায়রকপদগী মীওই কয়া রিলিফ কেম্পশিংদা লৈফম হোংদোকহল্লে।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-হৌজিক হৌজিক জিলা অসিদা রিলিফ কেম্প অহুম-সেনাপতি বজার মনাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়ম, এ.দি.সি. ন্যু বিল্ডিং অমসুং ভিয়ুলেন্দদা লৈবা থিংবা খুনৌ প্রেয়ার সেন্টরদা হাংদোক্লে। অমরোমদা, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনসু পুন্সি অমসুং লন-থুম মাঙবা থিংনবা ত্রাফিক এদভাইজরি অমসু থোকখ্রে।

রেস্ক্যু (এল)ঃ লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতি (এল.দি.এ)গী টিমনা ঈশিং ঈচাওনা নংলবা মীওই ৮০০ হেন্না হৌজিক ফাওবদা কনবা ঙমখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী লমজিং মখাদা এল.দি.এগী ফ্লড রেস্ক্যু টিমনা থা অসিগী ২৮ গী নুমিদাংৱাইরমদগী হৌনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চথদুনা লাক্লি। এল.দি.এগী চেয়ারমেন-এম. অশ্বিনি কুমারনা লুচিংবা টিম অদুনা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং অতৈ মরী লৈনবশিংগা খুৎশমদুনা অকনবা থবক লৌখৎলি।

থাঙ্গগী ঙা ফাবা মীওইশিংগা খুৎশমদুনা এল.দি.এনা মীওই কাংবু অহুক শেমদুনা মী কনবদা শিজিন্নগদবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা ইম্ফালদা মী কনবগী থবক চথরি। হৌজিক ফাওবদা কাংবু অসিনা মীওই ৮০০ হেন্না কনবা ঙমখ্রে।

থাঙ্গগী ঙামীশিংগা খুৎশমদুনা এল.দি.এনা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিবু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- ঙামীশিংনা হৌজিক ঈচাউনা অৱাবা মায়োকরবা মীওইশিং কনবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। থৌরাং অসি মতাং মতম য়ামা চাই। অসিগুম্বা থৌরাং ঐখোয় পুন্না খুৎশমদুনা পায়খৎমিন্নদুনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোকহনবা ঙমগনি অমসুং ঈচাউনা শোকহল্লবা ইমুংশিংদসু মতম চানা মথৌ তাবা তেংবাং পীবা ঙমগনি।

অৱাংবৌ (এল)ঃ নমদুলোং, দ্যুলালেন্দ অমদি নাগারামগী ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরিবা মফমশিংদা ঙসি ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মন্ত্রিনা হায়- মরী লৈনবা রাজ্যগী ওফিসিয়েলশিং, এন.দি.আর.এফ, সেক্যুরিতি ফোর্স, ভোলুন্তিয়ারশিংনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনদুনা অৱাবা তারবশিংদা মতেং পীবগী থবক চত্থরিবা অসি উবদা নুংঙাইবা ফাওই। পুন্না হোৎনরবা মতমদা অসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়া অসি মায়োকবা ঙমগনি।

ইমো (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ মমাং লৈকাহ্দা লৈবা উগী থোং মীয়ামা বাবু থোং হৌজিক ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা এম.এল.এ- আর.কে. ইমোনা হায়- শগোলবন্দকী বাবু থোং হৌজিক নম্বুল তুরেলগী ঈশিংগী ঈমায় হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা ঈশিং থুমজিনখিবনা মরম ওইদুনা চৎথোক চৎশিন য়াদ্রে। নোং চীংগী ফিভম ফরবা মতমদা শেমজিল্লগনি।

ছুতি (এল)ঃ মনিপুর সরকারনা ঙসি অমসুং হয়েং পাব্লিক সেক্তর অন্দরটেকিং, কোরপোরেসন, ওটোনোমস বোদি অমসুং সরকারগী মখাদা লৈবা সোসাইতিশিং য়াওনা রাজ্য সরকারগী ওফিস পুম্নমক ছুতি লাউথোকখ্রে। বেঙ্ক, ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং এল.আই.সিনচিংবসু ঙসি অমসুং হয়েং ছুতি ওইগনি হায়না সরকারগী চেরোল অমনা হায়রি। অদুমওইনমক, মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক্তা য়াওবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি ইসেন্সিয়েল সার্ভিসশিংদি ছুতি ওইরোই।

অমরোমদা, হায়র অমসুং টেকিকেল ইজ্কেসন বিভাগকী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ঈশিং ঈচাউ অসিনা মরম ওইরগা লম্বী থোং চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া লৈরিবা অসি য়েংলগা অমদি মখা তানা নোং চুরকখিগনি হায়বগী ৱাফম অমসু লৈবনা বিভাগ অসিগী মখাদা লৈবা হায়র ইজ্কেনসনেল ইন্সটিট্যুসনশিং, গভর্নমেন্ট এদেদ অমদি প্রাইভেট ইন্সটিট্যুটশিং জন্ ১ ফাওবা ছুতি লাউথোক্লে। লোয়ননা স্কুল ইজ্কেসনগী

মখাদা লৈরিবা গর্ভনমেন্ট, প্রাইভেট, প্রাইভেট এদেদ অমসুং সেন্ত্রেল স্কুলশিংসু জন্ ১ ফাওবা ছুতি থারগনি হায়না ইজ্‌কেসন (এস)কী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নোং (এল)ঃ মনিপুরদা ঙসিদগী হংচিৎ ফাওবা নুংশিৎ য়াওনা মচি মচিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়না ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি) ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি। ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট য়াওনা জিলা অয়াম্বগী মচি মচিদা অখাক অরাও য়াওনা নুংশিৎকা লোয়ননা অকনবা নোং চুগনি। হায়রিবা ফিভম অসি মথং নুমিৎ নিনিদসু অহোংবা লৈরোই।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী তাউবমদা লৈবা ইরং তুরেলগী মথক্তা শাবা পক্কা থোংদা হৌজিক মাল পুবা অচৌবা গাড়িশিং য়াওনা মখল খুদিংমক্কী গাড়ি চৎথোকশি তৌবা য়ারে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়- তাউবম ভিলেজগী ওথোরিতিশিংগা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ওফিসিয়েলশিংগা য়ান্নবা পুরক্লবা মতুং থোং অসিদা চৎথোক চৎশিনগী থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি। পনবা য়াবদি, ঈচাউনা মরম ওইরগা থা অসিগী ২৮ দা ইরং বেল্লি ব্রিজ তেক্তুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা পীখিবনি।

রিলিফ (এল)ঃ সাইকোন রেমালনা মরম ওইরগা পীরকপা চৈথেংনা মণিপুরদা হৌজিক থেংনরিবা ঈশিং ঈচাউগী অৱা অনা তারবশিংদা পীরিবা তেংবাং অমদি মী কনবগী থবকশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা পুং ২৪ চুপা মথৌ তৌগদবা কন্ত্রোল রুম অমা হাংদোক্লে।

রাজ্য সরকারগী চীফ সেক্রেটরি ডাঃ বিনিত জোসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মণিপুরদা নোং লেপ্তুনা চুরকপা অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামদা তেংবাং পীনবা পুং ২৪ মথৌ তৌগদবা কন্ত্রোল রুম অসি অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বঙ্কেট হোলদা হাংদোকপনি। কন্ত্রোল রুম অসি মণিপুর সরকারগী

প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অরুনকুমার সিনহাগী লিচিং মখাদা মণিপুরগী আই.জি.পি-কে. কবিব, দাইরেক্তর ইজ্‌কেসন (এস) এল. নন্দকুমার অমদি রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট বিভাগকী মীহুৎশিং, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনারশিং, সেক্যুরিতি ফোর্স, পি.ঐচ.ই.দি, ৱাটর রিছোর্সেস, হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার, কেফ এন্দ পি.দি অমদি পৱার দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা য়েংশিনগনি। কন্ট্রোল রুম অসিদা মীয়ামনা মোবাইল নম্বর **09233522822, 09485280419, 06909525816** নত্রগা টেলিফোন নম্বর- **0385-2440028** অমদি **0385-2912006** তা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়রি।

জিরি (এল)ঃ জিরি তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলকপনা জিলা অসিগী মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিল্লে। হৌজিক ফাওবদা কলিনাগর, কমারঙ্গা মুস্লিম খুল, চম্পানাগর তাবা লম্বীনচিংবা ঈশিং থুমজিল্লে হায়রি। ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়- ঈশিং থুমজিনখিবনা মরম ওইরগা কলিনাগর অমদি কমারঙ্গ মুস্লিম খুলগী মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকখ্রে। ফিভম অদু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমারনা লুচিংদুনা অতৈ ওফিসিয়েল কয়ানা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। লোয়ননা তেংবাংগী পোৎলমশিং পীবসু হৌরে।

অমরোমদা, হৌজিক ওইরিবা নোং চীংগী ফিভম অমদি ঈচাউগা মরী লৈননা ইম্মরজেন্সি লাক্লবদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামগী মোবাইল নম্বর- **8794854167** অমদি পুলিস দিপার্টমেন্ট জিরিবামগী মোবাইল নম্বর **8414931230** দা পাউ ফাওরকবা জিরিবাম জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

হেল্প লাইন ঃ রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী নুপীশিংগী হেল্প লাইন নম্বর হান্নগী টোল ফ্রি নম্বর-**181** অদুগী মহুৎতা মতম খরগী ওইনা মোবাইল নম্বর- **700-577-6144** দা হোংলে। অদুগা চাইল্ড হেল্প লাইন নম্বরসু হান্নগী **1098** অদুগী মহুৎতা মতম খরগী ওইনা মোবাই নম্বর- **9615-4343-49** নৎত্রগা **8132-9535-92** দা ওইনা ফোন তৌবীরকবা হায়রি।

ৱাটর (এল)ঃ  রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম অসিগা মরী লৈননা খুদক্কী ওইবা মতেংগীদমক রাজ্য সরকারগী ৱাটর রিছোর্সেস বিভাগতা পাউ ফাওরকবা খঙহল্লি। বিভাগ অসিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ঈশিং ঈচাউগা মরী লৈনবা ইম্মরজেন্সি অমা হেক লৈবদা টেলিফোন নম্বর- **0385-2913897** নত্রগা মোবাইল নম্বর **7628803713** দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি।

তেংবাং (এল)ঃ  ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অমদি মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেক্কিং এসোসিয়েসন্নসু ঈচাউনা অৱাবা মায়োকরিবা থঙ্গাল বজারদা চেম্বর ওফ কম্মর্স হোস্পিতালদা লৈরিবা অনাবশিং অমদি ষ্টাফশিংদা চান থকবগী পোৎলমশিং য়েন্োকপগা লোয়ননা হোস্পিতাল অসিদগী মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকপগী থবক্তা মতেং পাংলি।

সেমিনার (এল)ঃ  মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী সোসিওলোজি দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা নুপীগী রিজার্ভেসনগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চুপনা পাঙথোক্কদবা জাতি থাক্কী ৱার্কসোপ ঙসিদগী য়ুনিভর্সিতি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ কম্মর্সতা হৌদোকখ্রে।

ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ সোসিয়েল সাইন্স নিউ দিল্লিগী শেন্থুং মখাদা চত্থবা ৱার্কসোপ অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিতিশিংগী প্রোফেসারশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদু মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর এন. লোকেন্দ্রনা হৌদোকখিবনি।

ককচিং (এল)ঃ  ককচিংগী য়ুথ এন্দ ষ্টুদেন্টস দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না হন্দক ক্লাস টেন অমদি ক্লাস তুয়েল্ব পরিক্ষাদা তোপ্পর ওইরক্লবা মহৈরোইশিংবু পুকিং থৌগৎখ্রে।

চান্দেল (এল)ঃ  ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী কাউন্টিং পার্সোনেলশিংগী অনিসুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে। চান্দেল জিলাগী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং অদুসা মাইক্রো

ওবজার্ভর, কাউন্টিং সুপরভাইজর অমদি কাউন্টিং এসিষ্টেন্টশিংনা শরুক য়াখি।

টিজি (এল)ঃ  টি.জি. হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী এন্ত্রান্স টেষ্ট য়াওনবা রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী মতম মথং থাগী অহুম ফাওবা শাংদোকখ্রে। এন্ত্রান্স টেষ্টকী মতম কোন্না লাউথোক্কনি হায়না স্কুল ওথোরিতিনা খঙহল্লক্লি।

এনআইএ ঃআর্মি কেম্পতা লান্দাবদা চেন্নবা য়ুনাইতেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসাম (উলফা)গী মীওই ৬ এন.আই.এনা ফারে।

এন.আই.এনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- লালহৌলুপ অসিগী মীচেন মরি য়াওনা থৌদোক অসিদা চেন্নবা উলফাগী মীওই ৬ অসি ইন্দিয়ান পেনাল কোদ, য়ু.এ.পি এক্ট অমদি এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্টকী মখাদা ফাবনি। মীওইশিং অসি হৌখিবা চহি ২০২৩ দা আর্মি কেম্পতা চথখিবা টেরর এটেক্তা চেন্নবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- মমাং চহিগী নম্বেবর ২২ দা অসামগী তিন্সুকিয়া জিলাদা লৈবা ককোপথর আর্মি কেম্পতা বোম লংশিন্দুনা লান দাখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদে। অদুবু লান্মীগী মীওইশিংদা চথবা এটেকশিংগী মনুং চনবা লাল্লোংনি।

কেম্পেইনঃ  লোক সভা মীখলগী তরেৎশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বা ঙসি নুমিদাংৱাইরম লোইশিনখ্রে। তাঙ্কক অসিগী ওইনা থাংজ নুমিৎতা রাজ্য তরেৎ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি চান্দিগরগী পুন্না সিট ৫৭ তা ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা মীরেপ ৯০৪ না লম্বা থেংনরি। সিটশিং অদুদি- উত্তর প্রদেস অমসুং পঞ্জাবকী ১৩-১৩, নোংচুপ বেঙ্গোলগী ৯, বিহারগী ৮, উরিষ্যাগী তরুক, হিমাচল প্রদেসকী মরি, ঝরখন্দগী অহুম অমসুং চান্দিগরগী অমনি। লোক সভা মীখল অসিগা লোয়ননা উরিষ্যাগী বিধান সভা কেন্দ্র ৪২ দসু ভোট থাদনগনি। ভোট মশিং জন্ মরিদা থিগনি।

------